হুইয়েন লানপাউ অমদি মতমগী য়াকাইরোলগী কমলনিষ্ঠ ওইরম্বা আই এস অকোইজম লৈখিদবগী ৬শুবা কুমওন থৌরম অইবা অসিগী থৌবাল ৱাংমতাবদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখিবা

লামায় ৪

ATHUBADA
MANIPUR GOVT
NA HIGHER COURT
APPEAL CHATPIRO

মণিপুর লৈঙাক্লা দ্রগ লল্লোনবশিং চৈরাক ফংহন্ননবা অথুবদা হায়র কোর্টতা ৱাকৎ চৎপীয়ু হায়না নিংঙোল ক্লবনা শীন্দুনা হৈরোক পার্ট ৱানদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চঙশিনখিবা

লামায় ২

নাওরেম বিরহরি কোলেজগী হান্নগী প্রিন্সিপাল ডা. এন জি একাশিনিবু অথুবা মতমদা অমুক হন্না প্রিন্সিপাল ওইনা মথৌ তৌহল্লু হায়দুনা কোলেজ অসিগী ষ্টাফশিং অমদি মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

লামায় ৫

হেন্দিক্রাফ্ট সর্ভিস সেন্টর ইম্ফালনা শীন্দুনা ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা লৈবা নহারোল শিন্থা কাঙলুপ (এন এস কে)গী গ্রাউন্দদা নুমীৎ ৬নি চুপ্পা চথুগদবা হেন্দিক্রাফ্ট প্রদক্টকী এগজিবিসন কম সেলস হৌদোকপগী থৌরম

লামায় ৫

আই এস অকোইজম লৈখিদবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):

হুইয়েন লানপাউ অমদি মতমগী য়াকাইরোলগী কমলনিষ্ঠ ওইরম্বা আই এস অকোইজম লৈখিদবগী ৬শুবা কুমওন থৌরম অইবা অসিগী থৌবাল ৱাংমতাবদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা আই এস অকোইজমগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মহাক্না হিংলিঙৈদা লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবা লাইরিক ২৫ রোম ইরমখি। লোয়ননা উ থম্বাল হায়না মিংথোনবা মণিপুরী ফিল্ম অমসু পুথোকপীখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা আই এস অকোইজমনা ইরম্বা শৈরেংশিং পাদুনা মীয়ামদা তাহনখি হায়না আই এস অকোইজম মেমোরিএল ত্রষ্টকী কনভিনর সমোম রঘুমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

এক্টরস ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):

লিবর্টি ঠিএটর ককচিংনা শীন্দুনা মার্চ ১৫ ফাওবা নুমীৎ ১৫ নি চুপ্পা চথুগদবা এক্টরস ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঠিএটর অসিগী রিহার্সেল হোলদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

লিবর্টি ঠিএটরগী দিরেক্টর উত্তমকুমার নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা ঠিএটর ম্যুজিক, ষ্টেজ ক্রাফ্ট, নেরেটিফ আর্ট, ফোক সোংনচিংবা তাকপী-তম্বীবগা লোয়ননা এক্টর অমা ওইবদা মথৌ তাবা হীরমশিংগী মতাংদা অখণ্ড-অহে কয়ানা তাকপী তম্বীগনি। নুমীৎ ১৫ নি চুপ্পা চথুগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা এক্টর ২০ না শরুক য়ারি।

মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভর এন্দ মোটোর ৱর্কর য়ুনিয়ন (এম আর টি দি এন্দ এম দব্লিয়ু য়ু)গী জেনরেল বোদি মীফম থা অসিগী ৫গী অয়ুক পুং ১০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফালগী এম জি এভেন্যুদা লৈবা দ্রাইভর য়ুনিয়নগী ওফিসতা পাঙথোক্কদৌরি। নুমীৎ অসিদা য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংনা মতম চানা লাকপীনবা য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি মাইমোম অনিল মীতৈনা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লক্লি।

ফাইন ওইনা লুপা ২৫,৫৫০ খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস) :

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মায়োক্লনবা মণিপুর লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন কাংলোনশিংগী ৱাংমদা থোক্লকপা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা দ্রাইভ চৎথবদা মীওই২১২ ফাগৎতুনা দিটেন তৌখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা পুলিসনা ঙসি দ্রাইভ চৎথবা মতমদা য়ূমদগী থোক্লকপদা মাস্ক উপ্তবা অমদি মীয়াম তিনবা মফমদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা ফাগৎখিবা মীওই ২১২দা অমুকহন্না তৌদনবা পাউতাক পীরগা থাদোকখি। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা ২৫,৫৫০ রোম খোমগৎপা ঙমখি। ঙসি পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চৎথবদা ফাগৎখিবা মীওই ২১২গী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১০, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১৬৩, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৫ অমদি চুরচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মীওই ৩৩ ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

বি এ তমদনা এম এ তমহল্লদি এম এ তমদনা পি ঐচ দি তৌহল্লগদ্রা : এম য়ু সী এস এফ

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):

বি এ তমদনা এম এ তমহল্লবদি এম এ তমদনা পি ঐচ দি তৌহল্লগদ্রা হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর ষ্টুদেন্টস ফোরম (এম য়ু সী এস এফ)না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বিরেননা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মমাঙগী ভি সীগী মিংদা রেজিষ্ট্রারনা নোটিফিকেসন থোক্তুনা মিং চনবা লোইখ্রবা এম য়ু সীগী মহৈরোয়শিংবু থা ৩ হেন্না ক্লাস তৌহন্দদুনা হৌজিক্কী ভি সীনা থম্বীরিবসি মরম চারিব্রা।

মহৈরোয়শিংগী অনৌবা দিমান্দ লৈতে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ওথোরিটি অমদি একাদেমীক কাউন্সীলগী ৱারেপশিং মরম চাদনা হোংদোকপীগনু। এম য়ু সী হৌদোকপদা য়াওবীরম্বা ওজা ২/৩না চহী খরা তূম্লুরগা হৌজিক্তা মমিৎ পাঙথোরক্তুনা শাংলবা মতমসিদা অৱাবা কোঙ্গাই পুরকখিবা একাদেমীক কাউন্সীল অমদি ওথোরিটিগী অশোয়বা থিদুনা মরাল থংজিন্নবা হোৎনফম থোক্তে। একাদেমীক কাউন্সীল শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মশামকসু মেম্বর ওইনা য়াওরিবা মীওই ২/৩না মশামক্কী ৱারেপ অমদি চৎন-কাঙলোনশিং ঈকায় খুম্নবগী মহুৎতা অতোপ্পা মরী লৈনদবা মহৈরোয় খরদা ইনশিনদুনা চৎন-কাঙলোনশিং থুগায়নবা হোৎনরিবসি ঈৱাং শাগৎনবা হোৎনবনি হায়না লৌফম থোকই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোংদোক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, রেগ্যুলর ভি সী অমা লাকপদা এম য়ু সীগী মহৈরোয়শিংনা হরাওজরম্বা পুন্নমক অদুগী ওন্ন-তৈনবদা মহৈরোয়শিংবু মীনুংশি মচেৎ অমফাওবা উৎপীদনা চহী ৫ তমজরকখিবা বি এগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রিবসি মরম চাদে।

এম য়ু সী হৌদোরকপদগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা শিন্থা পুবীরকখ্রবা গেষ্ট ফেকল্টিশিং অমদি রেগ্যুলর ওজাশিংগী মরক্তা শম্বল খাজিনবগী থৌওং য়ানিংদে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, মীগী ইনষ্টিট্যুটকী চৎন-কাঙলোন থুগায়রগা নমদুনা এম এদা মিং চন্নবা হোৎনরিবা কোলেজশিংদুগী মনুংদা অমুক গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজগী বিশারদ সার্টিফিকেটতুনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীদা মখা তানা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বা য়াহন্দে। অদুগা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী দিপ্লোমা সার্টিফিকেটতুনা অমুকসু গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজদা হায়র ষ্টদি তৌবা য়াহন্দে। ইনষ্টিট্যুট অনীমক্কী সার্টিফিকেটশিংদুনা এম য়ু সীদদি নম্ফুদা য়াহন্নবা হোৎনরিবসিগী মরম করিগীনো হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

অতোপ্পগী বি এ অমসুং দিপ্লোমানা এম য়ু সীদা এম এ তম্বা য়ারবদি অতোপ্পগী এম এ অমসুং এম য়ু সীগী বি এ সার্টিফিকেট পায়রবা মহৈরোয়শিংনা এম য়ু সীদা পি ঐচ দি তৌহনবীরো হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা তুং কোয়না চৎনগদবা ৱারোইশিন অমা পুরক্কে হায়রবদি অতোপ্পা মফম অমদা এম য়ু সীগী ক্লাস তৌহনবনা খ্বাইদগী লায়বা অমসুং অফবা খোঙথাং ওইগনি হায়না এম য়ু সীগী ওথোরিটি অমসুং লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লি।

সী এম বিরেননা রাজনাথ সিংহ অমসুং নিতিন গদকারিগা উনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস) :

বি জে পিগী সেন্ট্রেল লিদরশিং উনরুনবগীদমক দেল্লীদা চৎখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমসুং য়ুনিয়ন রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী মিনিষ্টর নিতিন গদকারিগা উনদুনা হীরম কয়াগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি অহানবদা ন্যু দেল্লীদা য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টরগী ওফিসতা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগা উনখি। উনবা অদুদা মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। তুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ নিতিন গদকারিগসু মিনিষ্টর অসিগী ওফিসতা উনখি। উনবা অদুদা ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিংগী মতাংদসু কুপ্পা খন্ন-নৈনখি। উনবা অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসল খরসু শরুক য়াখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্কী খোঙচৎ অসিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফ্যের, রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিগী মিনিষ্টর নরেন্দ্র সিংহ তোমারগসু উনখ্রবনি।

কম্বাইন্দ টিমনা এ কে রাইফলগা কোন্ননা য়ু কে এল এফকী কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস) :

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি থোকচোম বিক্রমজিৎকী মীৎয়েং মখাদা মোরেগী কম্মান্দো, মোরে পুলিস অমদি ৪৩শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম অমনা ঙরাং মোরেগী কানন ভেংদা লৈবা চিংবা য়ুম খরদা থিবা হুম্বা চথুবদা সূদা লৈবা য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু কে এল এফ)কী কাদর অমা এ কে রাইফলগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

মোরেগী এদিসনল এস পি (ওপস) এম অজিৎ, মোরে কম্মান্দোগী ও সী ইন্সপেক্টর রোবিন্দ্রোনা লুচিংবা কম্বাইন্দ টিমনা ফারবা য়ু কে এল এফকী কাদর অদুগী মমিং থাংমিনলান মাটে (২৫), অপোকপা জালনেৎ মাটে কৌই। মহাক মোলফৈ খুনদগী লাক্লগা হৌজিক্লা মোরে ৱার্দ নম্বর নাইন খামনুং ভেংদা লৈবনি।

পুলিসকী পাউনা হায়, মঙোন্দগী ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুদি এ কে রাইফল অমা, মেগজিন অহুম, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১৮৪, নোংমৈ মেগজিন হাপ্পবা পোচ অমা, রাইফল স্পিং অনী, চাইনিজগী মোবাইল ফোন অমা য়াওনা ফংবা ঙমখি। মহাক মোরে পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তাবা ৱাহং পাউহংগী থবক চথুরি হায়রি।

মাইবি থিংঙেলগী মথক্তা শাবা আর সী সী থোং শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস) :

শেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুনসিগী মনুংচনবা খুরখুলদা লৈবা মাইবি থিংঙেলগী মথক্তা শাবা আর সী সীগী থোং অমা এ সী অসিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

মাইবি থিংঙেল থোং শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা খুরখুল খুলগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী নুপীশিংনা শাজবা মুগাগী ফুরিৎ অমসু এম এল এদা খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা এম এল এ দিঙ্গোনা হায়, মণিপুরদা খুরখুল মুগা হায়না লাই হাক্তক্তগী মমিং চৎতুনা লাক্লি। হায়রিবা খুরখুল মুগা অসি লুহোংবা মতম অমদি তোঙান-তোঙানবা হীরমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা অমা ওইনা ঙসিসু অদুমক শীজিন্নরি। লোয়ননা খুরখুল মুগা হায়না মীয়াম্না শক খঙনরি। মরম অদুনা হায়রিবা মুগানা শাবা মখল মখা কয়াগী ফিরোলশিং মণিপুরদা নত্তনা মণিপুরগী ৱাংমদা পুথোক্তুনা মসিনা শিনফম অমা ওইহন্নবা হোৎনবা য়াম্না তঙাইফদে। মসিমক ইশা-ইশাগী থৌদাং লৌহন্নিংই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইশাগী পোৎথোক্লা হেন্না শীজিন্নবা অমদি মীপাল তাংদবা ৱাখল্লোল অসিদা ইশানা পুথোকচবা অসিগুম্বা মুগাগী পোৎথোকশিং অসি পুথোকপা অসিনা লমদম অসিগী চাওথোকচনিংঙাইহিনি। অসিগুম্বা শেল থুমদা মীপান তাংদনবা মণিপুরদসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক অসিনা শেন্থং কয়া থাদদুনা ষ্টেট অসিগী শেনমীৎলোন চাওখৎনবা হোৎনরি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৈঙাক্কী মায়কৈন্দগীসু মুগা পোৎথোকশিং হেন্না পুথোক্লবা পান্দম থম্বা মরম্না মথৌ তাবশিং পীননবা খন্নরগনি হায়খি। মসিগীদমক হান্নসু সেরিকলচর মিনিষ্টর অমদি দিপার্টমেন্টকী ওফিসিএলশিং য়াওরগা সেকমাই এ সীদা সর্ভে অমা ইকুই কুইদনা চৎথরগনি হায়খি।

ঙসি শঙ্গাখিবা থোং অসিনা অকোয়বদা লৈরিবা খুঙ্গাশিংনা চৎথোক-চৎশিনদা অৱাবা কয়া হান্না মায়োক্লরম্বা অদু কোক্লগনি। থৌরম অদুদা খুরখুল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান অমদি খুরখুল য়ুথ ক্লব (সাউথ)কী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

য়ূম মৈ চাকখ্রে, মিনিষ্টর হেনরি লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস) :

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনন্না কোনবা সোইবম লৈকায় অহোঙ্গৈ লৈরক্তা লৈবা ওইনাম দামুদোর (৩৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা ও ইবোহনবিগী য়ূম ঙসি নুমিদাং খঙহৌদনা মৈনা চাকখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। চেক্লা শাবা য়ূম অদুগী অনীশুবা মথোলদা লৈবা কাগী মৈরম পাংবা নাকলদগী হান্না মৈ অদু চাক্লকপনি হায়না ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখি। মৈ অদু মতৌ করম্না চাক্লকপনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। য়ূম অদুগী অনীশুবা মথোলগী কা মরিদা লৈবা য়ূমগী পোৎচৈ খরা মৈনা চাকখ্রে। অদুবু অশোক-অপনদি য়াওহৌখিদে। মৈ অদু ইলেক্ট্রিক শোর্ট সর্কুইটতগী হৌরকপরা হায়না থাজনরি।

য়ূমগী মথোল মরি শুবদা থম্বা য়েন খরদি মৈ চাকপগী মনিলনা শিবা য়াওখ্রে। থৌদোক থোকফম অদুদা ইম্ফালগী ফ্যের সার্ভিসসু পাউ হেক ফংবগা খুদক্তা মফম অদুদা লাক্তুনা মৈরি থোক্লনা চাক্লিবা অদু মুথৎনবা কন্না হোৎনখি। থংনবা য়ূমশিং শোকহন্দনা মৈ অদু পুংখায় অমগী মনুংদা য়াম্না লায়না মুথৎপা ঙমখি। মফম অদুদা সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিসু লাক্তুনা য়েংশিনখি হায়রি।

ফ্লাইট ১০দা মীওই ১৩৬১ রোম পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস) :

ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৩৬১ রোম ঙসি ফ্লাইট ১০দা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টর-নেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.০৫ রোম তাবা মতমদা ইন্দিগো ৬-ই ৪৫৭ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫৫ রোম পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা লাকখি। অয়ুক্কী পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদনা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ অসিনা দেল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৭৭ রোম পুদুনা লাকখি। অয়ুক্কী পুং ১১.০০ তাবা মতমদনা এয়র ইন্দিয়া ৯ আই ৭৪১ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটা, গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরদা পল্লম্বা মীওই ৬২ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুমীৎয়ুংবা মতংদা পুং ১২.২০ রোম তাবা মতমদনা ইন্দিগো ৬-ই ৩৮৫ ফ্লাইট অসিনা অগরটলাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭১ পুদুনা ইম্ফালদা লাকখি।

নুমীৎয়ুংবা মতুং ১২.৪৫ তাবা মতমদনা ইন্দিগো ৬-ই/২০১৯ অসিনা দেল্লিদা পল্লম্বা মীওই ১৪৯ রোম পুদুনা চঙলকখি। নুমীৎয়ুংবা মতুং ১২.৫৫ তাবা মতমদনা ইন্দিগো ৬-ই/৬৩২৩ ফ্লাইট অসিনা কোলকোটাদা লৈরম্বা মীওই ১৪৯ রোম পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। নুংথিলগী পুং ১.৩০ তাবা মতমদনা ইন্দিগো ৬-ই/৬২৪১ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাটিদা লৈরম্বা মীওই ১৬৭ রোম পুদুনা চঙলকখি। নুংথিলগী পুং ২.১০ তাবদনা এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লিদা লৈরম্বা মীওই ১৭৭ লোম পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা লাকখি। নুংথিলগী পুং ২.২৫ তাবা মতমদা ইন্দিগো ৬-ই ৮৫৩ ফ্লাইট অসিনা কোলকোটদা পল্লম্বা মীওই ১১৮ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্ট থুংলখি। নুংথিল পুং ৩.৩৫ তাবা মতমদনা ইন্দিগো ৬-ই ৪৭৫ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা ১৩৬ লোম পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি হায়রি।

থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস) :

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২১, নোংমাইজিং নুমীৎতা সাউথ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (সেসু) ক্লবনা কোল্লিবা এরিয়াগী ওইবা মীফম পাঙথোক্তুনা অনৌবা চহী ২০২১গী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

নৌনা খল্লবা মেম্বরশিং অদুদি, প্রসিদেন্ট ওইনা য়েংখোম বিরেন মৈতৈ, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থোকচোম কান্ত অমদি ক্ষেত্রিময়ুম রঞ্জিৎ মৈতৈ কেসিয়র ওইনা খনখিবগা লোয়ননা ভাইস প্রসিদেন্টশিং ওইনা নাওরেম সমরজিৎ অমসুং কে এস ঐচ নোপুরবু য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে।

জোইন্ট সেক্রেটরিশিং ওইনা কে এস ঐচ নবকিশ্বর অমদি কে এস ঐচ সন্দিপ খনখিবগা ওদিটর ওইনা শামুরাইলাৎপম সোমোরজিৎ শর্ম্মা খনখ্রে হায়রি।

নৌনা খল্লবা ক্লব অসিগী মেম্বরশিং ওইনা সুভাচন্দ্র, লোকেন্দ্রজিৎ, জয়কুমার, জিবন, টি ঐচ অর্জুন, তোমচৌ, টি ঐ ওজিৎ, এন সামিলন, এন শামু, সুভাস, টি ঐচ অর্জুন অমসুং পি ইথোইবনচিংবা খল্লে হায়না সাউথ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (সেসু), ককচিংগী নৌনা খল্লবা জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ কান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

পেন্দবা ফোংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):

এন জি কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী মণিপুরগী হায়র এদ্যুকেসন ইনষ্টিট্যুসনশিংদা একাদেমীক এটমোস্ফিয়র অমা লৈঙাক্লা শোয়হল্লকপা অসিদা চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী পেন্দবা ফোংদোরক্লি। কোলেজ অসিগী য়ুনিয়ন অমদি অতোপ্পা মহৈরোয়শিংগী লুপশিংনা লৈঙাক্কী মায়কৈদা কোলেজগী ক্লাসশিং অথুবদা হৌনবা তকশিল্লগনি হায়রি।

সিক্যুরিটি মীট

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):

আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি অমসুং কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ৱাইরি ভিলেজ অমসুং লিলোংদা ভিলেজ সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখিবগা লোয়ননা স্বার্নিম বিজয় ভর্শ থৌরমগী মতাংদা লেকচর পীখ্রে হায়রি।

'মীতৈ পাঙলনা য়ারবদি কাজি লোয়শঙ অমুক হিঙ্গৎহনসি'

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস) :

মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈ পাঙলনা য়ারবদি ইপা-ইপু হাক্তক্তগী লৈরক্লবা কাজি লোয়শঙ অমুক হিঙ্গৎহনসি। য়েৎনবা য়াওদনা অয়াবা পীরবদি লোয়শঙ অসি লিংখৎকে হায়না রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোংদোকখ্রে।

ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন্স কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা শীন্দুনা ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা থৌনারোইশিংবু ঈকায়খুম্নজবা থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মথক্কী ৱাফম অসি এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোংদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, মীতৈ লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজদা চলহন্ননবা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখিবা লৈখ্রে। মসিগীদমক মতিক চাবা পাউখুমসু পীরকখিবা লৈরে। মীতৈ লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ ওইনা শকখঙনবা হোৎনবদা মথৌ তাবা মচাক কয়া খোমজিনবগী থবক কন্না চথুরি। মসিগীদমক কম্মিটি শেমদুনা ষ্টেট থাক্তা হোৎনরি। কংলা ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকপীননবা ৱাফমসু পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখ্রে। কনাগুম্বা খরনা সেন্টর ফৎতে ফৎতে হায়রিবসি ফৎতবা ওইরমদ্রে। ঐখোয়না পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎপা ঙমদনা লোল থোক্তবগুম্না লৈরম্বদুননি। ঐখোয়না মরম চানা হায়বা নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎপদা তাদবা নত্তে, তাবীরি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মীতৈ পাঙলশিংগী ওইনসু শোথনা লৈরিবা হীরমশিংগী মতাংদা খঙহনবীয়ু। পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎচগে। এম পি ওইনা চৎনবগী মতাংদা মীতৈ পাঙলশিংনা পূক্নিং ৱাখল থৌগৎপীখিবা অদু পুন্সিদা কাউরোই। ঐখোয়গী খুন্নাইসি থাগৎপা হৈরক্তবা, অফবা থবক তৌবদা ইনখৎপীবা ৱাৎপা ওইনা লাক্লি। পূক্নিং থৌগৎপা, অফবা য়োকখৎপীবগী থৌনাগী অৱাৎপা লৈরিবসি মেনখৎনবা হোৎনমিন্নসি। মণিপুরদা পুৱারীদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াদা মীতৈ পাঙল নুপী কয়াসু শরুক য়াখি। মীতৈ পাঙলগী অখণ্ড-অহৈশিংনা হেন্না পূক্নিং চঙশিন্দুনা ঐখোয়গী পুৱারী শাগৎপদা মীতৈ পাঙলনা লৌখিবা থৌদাং অসি খঙহন্নিংই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন্স কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এস এম জলালনা হায়খি, থৌনারোইশিংবু ঈকায়খুম্নজবা থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা থবক তৌরক্লবা শক্লাইরবা কয়াদা মনা পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎচবনি। মণিপুরগী পুৱারীদা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরম্বা কয়াদসু নীংশিজবা থৌরম অমনি। ঙসি ঙসিমক্কী লৈরিবা ফীভম অমদি তুংদা লাক্কদবশিং য়েংলগা পাঙল খুন্নাইগী মাঙশিল্লক্লিবা কলচরশিং অসি অমুক হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে। মহৌশাগী লৈরম্বা নুংশি-চান্নবগী মতৌ অদুদা অমুক হঞ্জিন্ননবা ঐখোয় পুন্নমক্লা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

জর্নেলিজমগী লমদা পীবা অব্দুলহৈ নীংশিং মনানা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী পাউমী বেবি সেরিনদা পীখি। ঈচেল এক্সপ্রেসকী পাউমী এম দি সাহিদুর রহমনদনা য়ং জর্নেলিষ্ট ওইনা মনা পীখি। লিটরেচরগী লমদা পীবা অব্দুল রহমন নীংশিং মনানা লৈখিদ্রবা কয়ামুদ্দিন পুখ্রিময়ুমদা, শান্ন-খোৎনবগী লমদা পীবা অল্লাউদ্দিন নীংশিং মনানা সনাতোম্বদা, ওন্ট্রপ্রেন্যুরগী লমদা পীবা ইরৈপাক এৱার্দনা কৌনাগী পোথোক পুথোক্তুনা মীওই ১০০দা থবক পীরিবা রহমজানদা, আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা পীবা এম ও বি এস টি এৱার্দনা সৈখ খুৎহৈবমদা, এদ্যুকেসনগী লমদা পীবা চাওবা মিয়া নীংশিং মনানা ডা. ইন্তিয়াস খানদা, য়ুথ এক্টিভিষ্টকী লমদা পীবা কংলৈপাক ইন্দষ্ট্রি এৱার্দনা মককময়ুম মুরসাদ আলিদা, য়ং ইমর্জিং রাইটর্সকী ওইনা পীবা হাজি সিরাজউদ্দিন নীংশিং মনানা চিংগিস খানদা পীখি। এৱার্দ ফংলবশিংদা মমেন্টো অমসুং সার্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নবগা লোয়ননা লেংয়ান ফি য়ান্দুনা ঈকায়খুম্নবসু উৎখি।

নুপী ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুড়াচান্দপুরনা শীন্দুনা ঙরাং দি সী ওফিসকী দি টি সী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নুপী ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং বেটি বচাও বেটি পরাওগী মখাদা মনা-মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

পুন্না নুপী ওন্ট্রপ্রেন্যুর মঙা প্রোগ্রাম অদুদা মনা-মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখিবগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্টেসননা পূক্নিং থৌগৎখিবা নুপী ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং অদুদি বিজাং গাংতে বেংগী বোইনু নিংহেলাম, সিংহাটকী জেসি দি, বিজাং ফেমিলি লেনগী এল ফ্লোরেন্স, জোমি কোলোনিগী সিয়ানদিনিয়াং অমসুং কোষইটে ভিলেজগী চোংবোই হাওকিপনি। প্রোগ্রাম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইনা ৱা ঙাংলদুনা এস পি চুড়াচান্দপুর অমৃটা সিনহানা ফোংদোকখিবদা, প্রোগ্রাম অদুগী পান্দমদি খুন্নাইদা লম কয়াদা হৈথোই শিংথোইরবা নুপীশিংবু মশক খঙদোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপীবা অমসুং রিস্ক লৌবা ঙম্বগীদমক্তা মখোয়বু থাগৎপীখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা দি সী চুড়াচান্দপুর পৱন যাদবনা হায়খি, বেটি বচাও বেটি পরাও অসি তোমথীন ওইরবা প্রোগ্রাম অমনি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্টেসননা মায় পাক্লবা নুপী ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংবু শকখঙবগা লোয়ননা মখা তানা মখোয়গী বিজিনেস চাউখৎনবা মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা মশক নাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Imphal the 23rd February 2021

No.1/IEC/SCPS (SW)-2014: It is hereby informed to all Voluntary or Non-Governmental Organization housing the following 2(two) categories of children namely:-

(i) **Children in Need of Care and Protection (CNCP)**
(ii) **Children in Conflict with Law (CCL)**

shall comply & get registered under Section 41(1)(2)&(3) of Juvenile Justice (Care and Protection of Children) Act,2015 regardless of whether they are receiving grants from the Central /State Government or not. The Child Care Institution (CCI) shall be granted provisional registration for a maximum period of 6(six) months & final registration for five years subject to fulfillment of minimum standard of guidelines as per the Act and shall renew in every five years as per the provision under Section 41 (6) of the Juvenile Justice (Care and Protection of Children),Act 2015.

The renewal of registration will help in implementing minimum standards of care for the services provided and to ensure a systematic monitoring mechanism of the CCIs.[**Note: The definition of CNCP & CCL shall be as defined in JJ Act,2015]**

Sd/- Ngangom Uttam Singh
Director (Social Welfare)
Manipur

HL-B/6819/26/2,1-2/3

FORM IV

Statement about ownership and other particulars about newspaper **HUEIYEN LANPAO**.

1. Place of publication - Imphal
2. Periodicity of its publication - Daily (Morning)
3. Printer's Name - SOUBAM NILADHAJA SINGH
   Nationality - Indian
   Address - Sega Road, Konjeng
   Hazari Leikai, P.O. & P.S.
   Imphal, District Imphal West,
   Manipur - 795001
4. Publisher's Name - Soubam Niladhaja Singh
   Nationality - Indian
   Address - Sega Road, Konjeng
   Hazari Leikai, P.O. & P.S.
   Imphal, District Imphal West,
   Manipur - 795001
5. Editor's Name - Thounaojam Birdhaja
   Nationality - Indian
   Address - Keishamthong Hodam
   Leirak, P.O. &P.S. Imphal,
   District Imphal West,
   Manipur - 795001
6. Names and addresses of individuals who own the newspaper and partners or shareholders holding more than one per cent of the total capital. - Individual

I, Soubam Niladhaja Singh, hereby declare that the particulars given above are true to the best of my knowledge and belief.

Imphal,
Date 28/02/2021

Sd/-
SOUBAM NILADHAJA SINGH
Publisher
HUEIYEN LANPAO